> “মণিপুরীগী সিভিলাইজেসনদা কোনুংগী ৱারী য়াওদবা য়ারোই। মীওইবগী পুন্সিদা থৌখিবা মতম লৈতবা থৌন্দে। লৈতে হায়রগদি মী অদু এবনোর্মেল ওইরবনি।”
> - এম কে বিনোদিনী

# শৈরেং

## ঐ নাপীনি

**—এল চিত্র**

ঐনা ঐ ওইরিঙৈ
নখোয় ঐগী মীনি
ঐনা ঐ ওইদ্রবদা
নখোয় ঐগী য়েক্লবনি।
ঐনা ইপাল ফরিঙৈ
মরুপ ওইবা নখোয়না
শকই ইগুন ঐগী
ইল্লি ইতুং ঐগী
ঙসিদি নখোয় কদাই?
ঐগীদমক্তা মরম চাদনা পান্থোম তিংলম্বশা
ঐগীদমক্তা মরম চাদনা ৱারী শুরম্বশা
কদাই ঙসিদি কদাই?
ঙসি নখোয়না ঐবু নাপীনি খল্লে
নেৎতুনা চৎলে ইথক্তা
শিৎচিল্লে নতিন ইমায়দা
সিনসু পেন্দে অমুকসু
হোৎনরে ফৃক্তুনা হুন্দোক্কে লৈমায়দগী মালেমসিগী
অদুবু খল্লু নখোয়
মতম অমদা নখোয়গীদমক্তা
ওন্থদুনা সিংহাসন্দগী হৌখি
নাপী ওইনা মালেমদা
স্বার্থিলক্তগী লাকখিবগুম বেবেকানন্দনা
লাকখি মালেমদা, হিংখি ঐ ওইনা
হিংলি ঐ নাপী ওইনা
অদুবু অরোইবা ওইনা
তারি দাবী অমা ঐনা
নাপী ওইরবসু য়াই হিংবদি
হিংবদি ঐগী থৱায়গী মখা পোল্লি
ঐবু ফৃকতোক্কনু, ঐসু ঈশ্বরনা শেম্বনি
থৌদাং লৈ তাইবঙসিদা ঐগী।

## পোইনু লৌবুক উরগা

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

পোইনু লৌবুক উরগা
থম্মোয় অসি খোইরাংই
পূক্লিং অসি লাংতক্কে
পেন্না চৈ থাঙনীংলকই
অউ অউবদা তাইননীংলকই
কনাগী মরালবু ওইরিগবা!
পোইনু ৱাকচীং উলেনলক্তা
তুম্পক তুম্পক লেপ্লিবা
চাবোক্তবী ফৌ পান্থীশিংদো
ইকায় ফিরুক খুমজরি
অহিংগী লিক্লানা চাল্লবা
মায়থোঙনি মখোয়গী লাঞ্জদ্রবা;
লৌমী মখোয়বুসু মচৈবী
লৌয়াম চাবা মখোয়না
মখোয়নদি ঙমজবী ফুদোক্তুনা
তিনফা কাকফৈ লাম্থেংনা
হোৎনজখিবনি ইঙা ইঙেন্দা
তাইবঙগী মবুক থলহন্নবা;
খারি লৌবুক শিনবা থুং
লেপকং কংদুনা মাঙলিবা
ফৌ পান্থীশিংদুসু লান্দেদো
কুমগী নোংনা মীরাইবীরবদা
করম্নদি লৈশাৎ তমগনি
করম্নদি মহয় য়ানগনি।

## শক্লোন

**— রোমি তখেল্লম্বম**

হাইমা মখোয়সে শ্বাইদা অমুক লৈরেনে
সিনেমা টিকেট কালা বজার তৌরম্বনি
সিনা'মুক শেন্দোং হেল্লা জাৎলা-
কোর্ফু ফেংবগী শিনফমসিনা মখোয়বু
মফম মফম খুদিংগী; য়ূম য়ূম চঙদুনা
মসিসু পুন্সিগী তাঙ্কক অমনি।
হাইমা মখোয়সে শ্বাইদা অমুক লৈরেনে
য়ুম ইঙ্খোল লৈবা-য়োনবগী ব্রোকর ওইরদুনা
চাকঙন-চা, ক্বা খৌবুম থল্লপ্পা পুল্লপ পুল্লপ
থেঙবা ঙনবগী খন্থদনা; মফম থুংনা চাক্তাইনে
য়ূল্লিংদবা ঙাক্তরা; মপু পান্দ্রবী ঙাক ওইবজাৎলা
মসিসু পুন্সিগী তাঙ্কক অমনি।
হাইমা মখোয়সে শ্বাইদা অমুক লৈরেনে
সনা-লুপা অরংবা য়োনফম লুকমাইশিংদা
অৱাবা মায়থোঙ উদে মখোয়শিং অমত্তসু
করিগুম্বদসু লৈঙাক্কী শঙশিংদা অখন্নবা উই
থুংঙমদবা লৈতে মখোয়গী খোঙচৎশিং
মসিসু পুন্সিগী তাঙ্কক অমনি।
হাইমা মখোয়সে শ্বাইদা অমুক লৈরেনে
য়াইফকোনগী মনীং তম্বশিংগী চাক্তাফমসিদা
মমল য়াল্লবা ফিজোল; সনা লুপানা লৈতেংলদনা
অউবশিংগী পূক্লিং, মীৎয়েং চিংশিল্লি হেন্দোক্লদুম
মখোয় অপূনবগী অমুক্কি মীনোক্তো...
মহৌশাগী পুন্সি কনাদি হঙ্গোইনৈ ফৎ লানবগা
মসিসু পুন্সিগী তাঙ্কক অমনি।
ফাইভ ষ্টার হোটেল নৎত্রবদি
মপোক কুমওন নুমিৎকা পাঙথোক্তে
হকচাংগী ফীভম শেম্বদা শেল পাম্মুবা লৈতে
এরোবিক; জুম্বা; জিমগী সেন্টর মশীং শুই
খূৎশেমগী; সেলেব্রিটি মাল্লপকা তৌরদনা
মসিসু পুন্সিগী তাঙ্কক অমনি।
হাইমা মখোয় কদাই ঙম্না চৎখ্রে; উখিদ্রে ঙসিদি
থেংলপ্পা মপুনা ফাজিনখ্রবজাৎলা
নৎত্রগা! মখোয়বু ঙম্বা কনানা লাকশিনখিবা ওইবরা
নৎত্রগা মায়খুম উপ্লম্বদু হাংদোকখ্রবা জাৎলো
লিনগী মতৌ তমদুনা চুমথোক্লম্লদি ফখ্রনিদকো
মসিসু পুন্সিগী তাঙ্কক অমনি।

## দিপাৱলিগী মৈঙাল-লক্তা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

দিপাৱলিগী মৈঙাল-লক্তা
মহাক্কী মায়থোঙ অদো
মীয়াম মরক অদুদা
মায়থোঙ অদো
মচেৎ মচেৎ উখি ঐনা
মোমোন মোমোন নোকপগুম
ঙসিসু দিপাৱলিগী
মৈঙাল-লক্তা।
তথক-তথক, মিৎ-সনা অনীনা
লৈনা লৈনা য়েংলকপা,
কৈদা লৈবগে মহাক অদো
উখিদরে নহাকপু,
অচিকপা অহিংগী
ঈংলবা থাবলগী মঙালদা
নাশোন পিক্লা ইনাক্তা লাক্তুনা
মায়থোঙ তঙ্খাই লোৎতুনা
লিরিবা নুংশিৎকী শাহুমদা,
নহাক লাক্লবোই নীংলুই
হঞ্জিন হঞ্জিন অহিংদো
থিরুইনে ঐনা নহাকপু।

## নুংশি শৈথারোল

**—এম নিলকুমারি**

শৈদিন্নফম মাঙখ্রবদা
য়েন্নিং থাসু মাঙখ্রনি
নিংথম উলেন লোইশিল্লক; মালংগী তাম্থা পোত্থারক
উপালগী উনানা খিকথরক
ঙাইজরমগে শৈদিনফমগী লৈকোলদা
নারক মোংশোংনি খনবীনু
থম্মোয়গী পাল্লবা ইপাকনি নহাক্তবু ঙাইজবা।
নীংশিংলুবা ৱাখলনা শৈথাবনি নুংশিবগী
চৎলিবনি মরুম থুপ্পা শৈদিনফমগী লৈকোলদা
ইথক ইপোমগী জগোয়গুম পোত্থাফম্নি শৈদিন্নফম
ঙাইদুনা লৈগনি ফমদুনা য়েংগনি নুংশি শৈরোল শৈথাসে;
লোন্না য়েংগনি- নোকফেৎনগনি
উরুদ্রবদি চৎলুদ্রবদি শৈদিনফমগী লৈকোন্দা
গুলাপকী লৈকোলসু নারক মোংশোং ওইখ্রগদ্রা
থম্বাল লৈকা গুলাপ লৈনা করম খাংহৌবা
চোইজাইননা ঈপাকথক্তা খোইমুসু গুন-গুন ঙংলরোই
ৱাখল মাগী পরিংনি মস্তিক্লরিবরা মমল নাইদনা
ইজরিবনি শৈরেংবীনা ককঙাওনরবা পুন্সিগীদমক
লম্বী লমহাংনবগুম থিবা চৎলিবনি শৈদিনফম
চান্মা চান্মা হলৱাইনখ্রবসু লিশীং লিশীং তুংইনরক্কনি
শৈদিনফম্না মাঙখ্রবদা য়েন্নিং থাসু মাঙখ্রনি।

## ‘পল্লেপফম’

**—এস কে নাওরেম**

পল্লেপফম খঙদনা চৎলিবা
কৈদনো ঐগী পন্থুংফম
অকংবা উনাগুম নুংশিৎনা
মায়কৈ খঙদনা পুবগুম
চৎলি লেপ্পা লৈতনা
চে কলম পায়দুনা
চন্নফম খঙদবা ৱাখলসে পুদুনা
ইখোঙ অসিনা চৎপা মফমদা।
লোনখরে থোঙসু ঐবু উবদা
মীমান্নদ্রবা ৱাখল শোইনাইরবসে
ফমগে হায়রগনি ঐখোয়গী ইরক্তা
তিন্নীংদ্রবা মখোয়গী ৱাখলদা
ঐসে করম্বা থৱায় পানবনো
মীওইবগা মান্নবা অতোপ্পা
ঙকই ঐ ঙকই ঐ।
খল্লক্লে ৱাখলসিনা
কনাদা শীন্নরমগনি ঐগী অনীংবা
তুংগী লম্বীনা শাংহৌরবা
মাঙগী লম্বীনা তেল্লক্লবা
ইদোম চৎপা খোঙচৎসিদা
মাঙখ্রগদরা অসুম অসুম্না
ফাওরক্কনু য়াদবা ৱাখলসে
পুন্সিনা লোইখিবা নুমিৎতা।

## নুংশিবা হায়বসিসু অঙকপনি

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারি**

খাঙবোক্কী চুহি য়োনবীদো
কুইরে উখিদবা
হেক হেক থেংনবদা
লৈবিরম্বনি ঐনা ক্বা।
চৎলল্লবসু লম্বীদা খোঙনা
হাপ্পীরকই ঐনা গাড়ীদা।
খঙদে কনানা হনবনো
খল্লি ঐনদি হল্লমগনি।
কৌই ইমিং অদুম ঐঙোন্দা।
করিসু খন্দে ঐ
ইচম চম্না মানা
কৌবদো ঐগী মিং
পোক্লুদে ৱারৌবসু
ঙসিদি মানা কৌরকপদা
শম্বল ৱাংমদগী
থোক্লুই ঐসু প্রপ প্রপ
লৈরুই চুহি খরা শুমজিৎ খরা।
চুহিদুসু ওন্থোক্লা য়াম্না হাপ্পীরকই
ওন্থোক্লা নুংশিনা হায়রকই মানা
নঙসে ওন্থোক্লা নুংশিখ্রে
অপোকপী ইমাদগী ফাও হেন্না নুংশি
নঙনা পোৎ লৈবীবগী নত্তে
অশেংবনি ঐনা হায়রিসে।
হান্নসু ঐনা মাবু অদুম নুংশি।
ঙসিদি অমুক্কা হেন্না খঙনুং নুংশিরকই।
খঙদে মমাঙগী মপোক্তা
করি মরী লৈনরম্বা।

## মতম মতমগী ৱাখল

# অসুম অসুম কাউরকখি, লাপ্নরকখি



হন্দক চহী লোইরমদাইসিদি তিন্নরম্বা, নক্নরম্বা, লোইনরম্বা ময়াম অসুম অসুম লাপ্নরকপা হেল্লক্লি। তপ্না তপ্না কাওনরক্লি। চৎলম্বা লম্বী তামহৌখি, তাখিবা খোঞ্জেল লাপথোকলকখি, মতম্না পুরকপনি খাল্লুবা য়াররোই। নীংশিংবসিনা হৌখিববু নুংশিবা হেলহল্লি। অমুক হল্লকপদি হৌনদ্রে। অনৌবা চহী লাকপসিনা পূম্নমক অরীবা ৱারী ওইহৌরগনি। নীংথম থাগী মতম ওইরকপসে ঐগী ওইনদি তা-জয়কুমার, ময়ামগী খুন্দ্রাকপম জয়কুমারসি হেক্তা নীংশিংলকই। মরম য়াম্মী। ঙসি ঐখোয়, তা-জয়কুমারগী ঈশৈ তাখিদ্রে। মহাক্তা নত্তে লোইনরম্বা রুপ-রাগগী শৈশকলোইশিং অহৈবম ওজা বুধচন্দ্র, অহৈবম তা-শ্যাম অমদি গীটারিষ্ট তামো সমসননচিংবগী মৱা মপাউ তাখিদবা কুইরে। চেংলৌ শকফম ফাওবা কাওরকপগুম তৌরি। মখোয় লোয়না চৎখ্রে। মতম ঈশৈ অমদি মণিপুরী ফিল্মগী তাইবঙদা মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা শৈশকপা, শৈপানবা, শৈশেম্বা ওইবীরম্বা ঙাক্তনি।

খুন্দ্রাকপম জয়কুমার, ময়ামগী খুন-জয়কুমার ডিসেম্বরগী তাং ১৫, ১৯৪৯ অসি মহাক্কী পোকখিবা নুমিৎনি। লৈখিদবা কুমশীংনা ২০১২ নবেম্বর তাং ৩ দা তাইবং পানবা থাদোকখি। হৌজিক হিংলম্বা থোক্লগদি ঙসি দিসেম্বর তাং ১৫,২০২২ অসিদা মশাগী চহী ৭৩ শুরগনি। মহাক্লা লৈখিদবসি ঙসি চহী ১০ মপুং ফারে। মহাক্কী পুন্সিনা চহী খর, ওন্থোকপা মওং অমদা হিংলমখি। পামজরম্বা, কৎথোকচরিবা মতম ঈশৈ অমদি ফিল্ম ঈশৈশিং অসি হু তরেৎমুক খাখি। ঈশৈবুদি য়াম্না নুংশিখি, হু তরেৎমুক খারিবসি ঈশৈদা নত্তে, ঈশৈনা ওইহল্লিবা মাগী পূন্সিবুনি। মহাক মশানা মশাগী শক য়েংনিংখিদে। মশাগী খোঞ্জেল তানিংখিদে। ঐ নীংশিংলি কুমশীং ২০১০গী কালেন থাগী কাং মনুংদনি, দুরদর্শন কেন্দ্র ইম্ফালগী ওফিসকী মপান্দা থাবা মীয়াম্না ফম্নবা ফানশাংদা হিপ্লগা লৈরমখি। হেক য়েংবদা তা-জয়কুমার মতম ঈশৈগী রুপ-রাগগী শৈশকপা অদুনি হায়বা মশক খঙদ্রে। মপোক্লা পুমঙৌ ঙৌরে। কোইসু ঙৌরে। কেনিংবা ফাওদ্রে। কংলবা য়াং, চপশিল্লবা চাইরুং তাইফেৎ তাইরবা কুচু ওইরমখি। দুরদর্শণগী ওফিসকী মী অমনা, পুং থেংলে ওফিসকী মী অয়াম্বা হন্নখ্রে, মথন্তা লৈহৌবসে নুংঙাইত্রে, তা-জয় কুমার ফানদা তুল্লগা লৈরে অমুক্তা হৌদোকপীরগা পুথোকপীখিবা য়ারোইদ্রা হায়রকখি। ঐহাক চঙশিনখি। মশক পুমওন ওল্লে। মশা পায়রগা নোমদুনা হৌদোকলুই, তা-জয়...। রেডিওগী দ্রামাদা ঙাঙনবা খোঞ্জেলগুম তপ্না খুমলকই, “কনানো ঐবু কৌরিবা..? ঐগীদি য়ুম লৈজদেনে। কদায়দনো ঐগী য়ূমবো ?” মহাক মশানা কুমখিবা, শক্তম লাংখিবা নিরুপমা মিংথোনবা রেডিও লীলাদা হায়খিবা ৱাহৈ অদুগী খোলহৈ খোন্দা অদুমক্তদা মিৎতি পাংদনা হায়রকখি। মিৎ অনীদু পিনা চোৎলি, মিৎশাং থাংলে। হৌগৎলকখিদে ঐনা মশা নোমদুনা অমুক হৌদোকলুই। হন্দক্তী মহাক মিৎ খজিক্তং পাংলগা তপ্না হৌগৎলকই অদুগা তপ্না হায়রকখি- ‘ঐগী মিংদা ঈশৈ শকপা ফংলরোইদবা ইম্ফালগী দুরদর্শন অমদি ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালগী ফানশাংশিংদা পূন্সিগী লোইরমদাই মিৎকুপ অসিদা ঙাইহাক ঙাইহাক্তংদং ওইরবসু তুমলমগে তৌবনি। মসিসু তুমহন্নীংদ্রব্রা? করিগীনো ঐবু হৌদোকপীরক্লিবা ? ঐ য়াম্না ৱানা মফম অসিদা য়ৌরকখিবনি। পামদে মখোয়না ঐবু হিংহনবা, ঐদি কোয়না পাইবা চেক্লনি...।’ৱাহৈশিং অসি হায়রকপদা ঐহাক তু চুংখি। মহাক অঙাওবা অমগুম্না চোইরেল মতেক ঙাঙলকখি। মহাক ঙাওবদি নৎখিদে, ৱাখল চোইখিদে। ঐহাক্না লোইননা তা-জয়গী য়ূমদা হল্লক্তুনা হৈনৌ অমুনবা খোল্লগা চামিন্নখিবনি। ঈশৈগী ৱারী য়াম্না শামিন্নখি। পেন্দবা ৱাকৎ চবুন চবুন্নি। মহাক্কী পেন্দবশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী পেনখিদবদি- খুন্দ্রাকপম জয়কুমার হায়বা মিংদা ইম্ফালগী রেডিও ষ্টেসন্দা অমদি দুরদর্শনদা ঈশৈ শকপা ফংখিদবা রেকোর্দ থল্লম্বা ঙমখিদবসি অমনি। সিবু কনাদা তাইনরুগদবনো ?

ঙসিগী মতম ঈশৈ করম্বা মওংদা লৈরিবগে? লমদমসিগী শৈশকপা অমগী পূন্সিদা মীনা পাম্নখিবা, চিন্দা ঙঙনবা ঈশৈ খ্বাইদগী য়াম্না শকখিবা শৈশকপসি কয়া য়াম্বগে ? ঙসিদগী চহী নিফুগী মমাংগী মতম ঈশৈগী শৈশক্তা হৌজিক শক্লরিবা মতম ঈশৈগী শৈশক্তা খেন্নরিবসি কদায়দনো ? মীয়াম্না পাম্নখিবা শৈশকপা শৈশকপীশিং অসি করম্বা ফিভম মওংদা হিংলি মখোয়গী ঈশৈশিং কনানা ঙাক শেল্লিবগে ? ঙসি নহারোল শৈশকপা শৈশকপী খরনা মতম অমগী মীয়াম্না তানিংখিবা অরীবা ঈশৈ শকপা কন্না য়াওরক্লি। মসিদি থাগৎনীংই অফবনি অদুবু অশেঙবা শৈশক অদু শেমদোক্লগা খরা নাথৈনা শকপা য়াওরকই। য়ৌবা ঙমদবগী নপশিল্লু য়াদবা খুনাম নাম্থোকপা মানবসু থেংনৈ। অরীবা শকলকপগী তানিংলুবা নুংশিরুবদু কদায়দনো হায়ফম খঙদবা অমনা অতাবা ঐখোয়বু খোয়রাংবা পোকহল্লরি। হৌজিক, য়ু টুবতা হিন্দি ফিল্মগী কাওঙমদ্রবা ঈশৈ কয়া অনৌবা নহারোলনা শকপা ঐখোয়না উরি, তারি। মখোয়গীনা চপ চানা, মান্নবা কাচিন য়ৌনা শেমদোক্তনা শকপা ঙম্নবা হোৎনবগী মমি তাবা থেংনরি। মখোয়না অরীবা ঈশৈশিংবু লাইগুম্না লৌনৈ ইকায়খুম্নবীরি। নহারোল শৈশকপশিংদু য়াম্না হোৎনবগী মমি তায়। ঐখোয়গীসু অহল লমনশিংগী মমিং লৈখিবা ঈশৈশিং অসি হৌরক্লিবা মীরোলগী শৈশকপা শৈশকপীশিংনা নীংথিনা হোৎনরগা শকহন্নিংঙি। মখোয় মশাগী ঈশৈগী মরক্তা অহল লমনশিংগী ঈশৈ অমা অনী য়াল্লগা শকপীরগদি হেন্না মীয়াম্না তানীংবা, নুংশিবা হেনগনি হায়বসি ঐনা খঞ্জখিবনি।

খুন তা-জয়না মতম ঈশৈ কয়া, দ্রামাগী ঈশৈ, মণিপুরী ফিল্মগী ঈশৈ, রবিন্দ্র সঙ্গিৎ কয়া অমদি রুপ রাগগী ওইবা ঈশৈ কয়া শকপীদুনা শৈপানবীদুনা ঈশৈবু পামজবা মীওই চা কয়াগী পূক্লিং শুমহৎপীরমখি। ঐহাক্তি তা-জয়সি ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরিবোইতা খল্লি। লীলা, ড্রামা অমদি মণিপুরী ফিল্মগী চাউখৎনবা য়াম্না খঞ্জখিবা অমসুনি। আর্ট ডিজাইন ফজনা তৌবা, লাই য়েকপা হৈবা মীশক অমসু ওই। ৱা ঙাঙবদা নুংশিনা, মীকৌ মীরম ফজনা ঈংনা থোৎনা নুংশিনা ঙাঙঙী। মনুংদি কল্লি, মরিল ফত্তে। শীংনরুরগদি হল্লরোই। মরিল ফৎখিদবা অদুনা ঙন্না পূন্সি কেম্নবা মচাক তানশিনবা ওইখি। ঈশৈ ময়েক্কী মতুংইন্না শৈপানবা হৈ। ড্রামা হৈবা অদুনা মহাক্কী রেডিও ড্রামা খরদি ঈশৈগা কোন্ননা শান্নবা ওইখি। মশানা ঈশৈ শক্লগা শান্নবা ড্রামা কয়া লৈখ্রে। ঙবোং খাওগী তঙাং তোমাল্লো কাওঙমদবা করেক্টরনি। ঙবোংখাওগী ঈশৈশিং ঙসিসু নৌরি। মতম অমা ড্রামা চেরিটি য়াম্না লৌনরিঙৈদা ঙবোংখাউ চেরিটিনা খুরক হাংখিদবা জি সি তোংব্রাগী নোক্লিং নুংঙাই ড্রামানি। ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালনা রেডিও ড্রামাদা ঈশৈ য়াওবা পুথোকপা তারবদি মশানা ড্রামাসু য়াওবা ঈশৈশু শকপা ঙম্বা মীয়াম্না পাম্নবা আর্টিষ্ট পুথোকপদা খুন্দ্রাকপম জয়কুমার নত্তনা অতৈ লৈখিদে। ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালনা ড্রামা খরদি পুথোকপীখি। ড্রামাদা ঈশৈ য়াওবা হান্নদগী অদুম তৌনরকই।ঙল্লিঙৈগী ফম্বাক লীলাশিংদি ঈশৈনা মপূংবু ওইখি। থেংথরকপদা, সোসাইটি থিয়েটরগী জি সি তোংব্রানা পুথোকখিবা ড্রামা খরদি ঈশৈ য়াওরকখি। হায়রিবা ড্রামা খরসিদগী খুন্দ্রাকপম জয়কুমার সোসাইটি থিয়েটরগী আর্টিষ্ট অমা ওইনা কুম্বা হৌরকখ্রে। জি সি তোংব্রাগা নক্নরকখি। জি সি তোংব্রা মহাক্কী গুরু অমনি। মশানা হায়বীরম্বা ৱাহৈনি। ‘ঐবু কনাইনো’ হায়বা ড্রামাদা য়াওবা ‘হো য়ুরিদিস’ হায়বা ঈশৈ অসি ঙসি মীয়াম্না শোন্নরি, ঙবোংখাওগী ঈশৈদি য়ামখ্রে লোয়নমকসি তা-জয়কুমারনা মশামক কুল্লগা মশানা শৈবান্দুনা শকখিবা মীয়াম্না ঙসিফাওবা পাম্নরিবা ঈশৈনি। ‘ইপু থঙ্গাল’ হায়বা ড্রামাদা রুপ রাগনা ‘চাইখ্রে ঙসি নঙগী লৌবুক্তা নচাশিংগী ঈখেংনা’ হায়রিবা অসি মহাক্লা শৈবান্দুনা শকপীরম্মী। মশামক থিয়েটর অমদি ফিল্মগী আর্টিষ্ট ওইরকখিবনা মহাক্লা শকলকখিবা ঈশৈগী কম্পোজিসন্দা তোপ তোপ্পা মহাউ পীবা ঙম্মী। ঈশৈ ঈশৈগী মতুংইন্না শৈপাল্লি শৈশেম্মী। ঐহাক্লা খঙজখিবদা রবিন্দ্র সঙ্গীটসু নীংথিজনা শকপা ঙম্মী। লাই নীংথিনা য়েকই। মৈতৈ ময়েক খঙখি। ঈশৈ শকলকপদা খোন্থোক উচারণ শেংনা হায়বা ঙম্মী, নুপা থোকই।

মহাক্কী মরমদা হায়নীংবা কয়া লৈরি। নীংথম থা অসিদনা হেন্না হায়নীংই। রুপ-রাগগী য়াম্না খনজখিবা শৈশকপশিংগী মনুংদা খুন্দ্রাকপম তা-জয়কুমার অমনি। ওজা-গুরু, অহল-লমন য়াম্না নীংঙি। ঐগী গুরুনা য়াদে, গুরুনা য়াদবা তৌনীংদে হায়বসি য়াম্না হায়গল্লি। অসুক ৱাশক চেৎপা, ঈশৈ, লীলা, ড্রামা ফিল্ম চাউখৎহনবা পাম্বা, লৈপাক মীয়াম্না পাম্নবা আর্টিষ্ট অমনা করিগী থম্মোয় অদুক য়াম্না কায়খিবনো ? মহাক্কী থম্মোয় শোকখিবগী ৱারীদি কনাদসু তমলমদবা মাল্লি। চুম্মী, মহাক য়ুম্বান লম্বীদা খোংদাখিদে। মসি চাউনা অৱাৎপা ওইখি। মহাক মতীক চাদবা মীরা অদুসু নৎখিদে। নীংজবা কনা লৈখিব্রা মদু থুংখিদবগীদমক মহাক য়ূম্বান লম্বীদা খোংদররোই খনখিব্রা ? করিগীদমক্লো মশানা মশাবু মঙহঞ্জনবা হোৎনখিবা ? করিগীনো শিবা হায়বসি মহাক্লা পামখিবা, মহাক্কী ফোংদোক্তবা পাউখোং লৈখিব্রা ? মহাক্কী খুৎনা তুরি পায়রগা য়েকপা লোইশিনখিদবা কনাগুম্বী অমগী শক্তম লৈখিব্রা ? মহাক্লা কুমখিবা ড্রামাশিংগী মনুংদা মোইরাংথেম ইনাওগী রেডিও ড্রামা-হিংনীংদ্রে ঐদি মোৎলবা সমাজ অসিদা (নিরুপমা) অমদি অশি হৈবোংগী ৱারী অমদি শকখিবা ঈশৈশিংদা মহাক্কী পূন্সিগা চান্নবা য়াম্না য়াওখি। ঈশৈ ময়েক্তসু মহাক্কী পূন্সিগা নকশিন্নবা মানবা কয়া তাখি। থৌওইনা মহাক্লা ইহনখিব্রা নৎত্রগা ঈশৈশিংদা ড্রামাগী ৱারীদা মহাক্লা কুমখিবশিং অদু তাইবং ওন্থোক্লগে খনখ্রব্রা ৱাহংশিং অসি ঐনা হংনীংলকই। চানরুবগী ওইরমবসু য়াই। মশক নাইখিবা আর্টিষ্ট অমা ওইখিবনা মহাকপু পামুজৈ, নুংশিখি। তানগে ফংলরোইদবা কয়া মহাক্কী মফমদা য়াওখি, লোয়নখি। মহাক্লা শকখিবা ঈশৈ কয়ানি। মহাক্লা শকখিবা করম্বা ঈশৈবু সিমদি তানিংদে, ফজদে হায়না খন্দোকপা ঙমগদগে ? শকখিবা মহাক্কী ঈশৈ শৈশক্কী খুহায়, খুফোংদোক অসি কুপথনা নৈনবা য়াবা কয়া লৈ। ঐখোয় কনা অমত্তনা ঙসিফাওবা নৈনদ্রি। মহাক্তি ঈশৈ খক্তা শকখিদে মহাক্কী ঈশৈদা ড্রামাটিক ইলিমেন্টস য়াওই, রোমান্টিক ওই। কুপ্পা তারগদি ঐখোয়গী ওইবা শৈহেকসু (ফোক্কী শৈহেক) য়াম্না য়াওরি। নট সংকীর্ত্তণ খংঙি। সুর চাদবা হায়বসি থেংনদে। খ্বাইদগী তমজ নিংঙাই ওইবদি তপ্না ঈংনা, লূম লূম লাওনা ৱা ঙাঙঙি, ঐনা থেংনজবদা চিনফা পুবা কল্লি। ঈশৈ ময়েক পুথোক্লগা শকপা অমুক্তা উখিদ্রি। ঙসিগী পাক চাউরবা ফম্বাক্তা, ঈশৈ শকফমদা মহাক্লা থোকলক্লগা ঈশৈ শকপদু উখিদবা কুইরে। অদুবু নীংথম থা ওইরকপসিদা, মহাক্লা পোকখিবা থা অমদি লৈখিদবা থা অনীনা খম্বাংনা লেপ্লরবসিদা নীংশিংদবা ঙমদে। পাম্না শকখিবা ঈশৈশিংগী মরক্তগী ঈশৈ কয়া অমনা হৌজিক্তা শক্লবগুম্না নাকোংসিদা তারি-। ‘নুংশিবা হুনি ঐনা হান্না খঙলল্লবা করিগী ঐনা খোইদারুনি।।’ “মূৎথৎলে ঐনা নঙগী শক্তমসে হন্না হন্না অঙৌবা মচুনা।।” ঐনা হায়নিংলি, তা-জয় অনৌবা মপোক হায়দুনা লৈরগদি মপোক অদুদা ঐখোয় অমুক উন্নখিসি।●

**—মাখোনমনি মোংসাবা**

## ৱারী ককনাউ

# অদুম য়ারিদা

নিংথমথাগী অয়ূক্তা নুংশাদা থোক্লগা মোরা অমা থারগা নুংশা ৱাওরি-ৱাওরি য়াইবসিসু নুংঙাইবজাৎনি। চহী ৬০ হেল্লবা ইপন মোনো মশা হায়রপ নানবা পামজবা, কেজ-মৌজ দুনতা লৈজবনি। মোরা মচা অমদা মনঙ্গলদুদা ফি অমা কুপ্লগা নুংশা য়াইদুনা মখূৎনা মিংশেল মচা অমা পায়রগা মমায়দু নান নান্দুনা য়েংজরক্লিসি ফনা কুইরে। মমৌনুপীনা ঙসাইনা চা লৈরে হায়রল্লবনি। অদুগা তাবীপোৎ নত্তে, মাগী মমায়দু অমুক চেপথ, নাকলদগী অমুক য়েং, মমৎিকদু অমুক লাউথোক, পীশুমগদু অমুক শুপচিন, অমুক চপতিং তৌদুনা য়েংজরগা মোন্দা নুংঙাইরি। মখূৎ খুদোম্বীদুনা মচিনবানদুদা হায়রপ হায়রপ নাল্লগা শান্নরি। করি ৱাখলনো খঙদে, ইপন মোনোদু নোকফেৎ নোকফেৎ তৌদুনা মশাদু নিশা চাবা মীদৌনা মঙলি। মাই ৱাখলদা খল্লি-

“ঐসি ইহন হন্দ্রিদা, অদুম য়ারিদা। শিদনিনে মৌ নহাশিংনা ঐবু মূনা মূনা চেপথ-চেপথ য়েংলিসে। মোইনা ঐসি য়েংজরগা নুংঙাইজরিনি। ঐনা অমুক মোইনা য়েংলকপদুদা চহী নৌথজরিনি। হোইদা মীওইবগী পুন্সি হায়সিদি নুংঙাইথোক্কদবনিদা। মথং মপোক কাইদু ঐনা খনবদা অমুক হন্না পোক্তৌ মান্দে। মমাঙদসু পোক্লমদৌ মান্দে। ৱারী লাইরিক মমাঙ মপোক, মথং মপোক কায়না অদুক পংহায় হায়বৈ ৱানি। অমত্তা পোকপা নত্তে। অমুক্তং পোক্লকপসিদা লাইনা পীবিরক্লিবা ইশা ইশাগী ৱাখল মীৎয়েং, পার্ট খুদিংমকশিং অসি চপ চানা মথৌ মঙম পাঙথোক্কদবনি। নুংঙাইনা হিংদোক্কদবনি। নৎত্রদি কৈ কান্ননি। কোক শিরগা লোইরবদুবো। শিদ্রিঙৈ, শিনিংদ্রিঙৈসিদা অনৌ অপেন, অশং অমান য়েংগদবনি।”

মওন মওন খল্লি। হন্দক্তি মশমলোমদা অমুক মীংশেলদু য়েংলগা নানবা হৌরক্লে। মশমদু লৱাই ফজনা তাংলবনি। অতাংবা লৱাইদুদা মখূৎতুনা নাল্লি। হন্দক্তি মথৱায় খিতং নুংঙাইতবা মাল্লি, শমগী ফীভমদু উবদা।

“শম থাবা য়াই হায়দুবু কমাই তৌজাৎনো? সদানন্দদু দেল্লীদা শম থারুই হায়বনিনে, মাইদু ফজনা হৌরবা মাল্লে, তাংবা অমত্তা উদ্রে, হান্নদি মশমদু য়াম পাথরল্লবনি। হৌজিক্তি মুসিন মুরদনা ফনবু ফজরেনে, লুপা কয়াগকা চঙবজাৎনো? ঐবু মঙোন্দা হংলগা দেল্লীদা চৎলগা থারুরসিরা। নৎত্রগা ঐখোয় শ্বাইদগা শম লিংবা হৈবা শমলিংবীগা লৈবজাৎলা”

ইপনদু নুংশানগা য়ৈশিনবনে, মশম হৌদবগী খিত্তংগা মথৱায় ৱারুবনে, মপা মপা তৌদুনা মকোক খজিক ঙাওবা হৌরকই। মুন্না মমিৎতু কুপ্তুখৈ মিংশেলদা তারিবা মমিদুদা য়েংলি, মহাক মশা অমদি মাগী ৱাখলগা ৱারী শানরি, “য়ারিবরনে সিবো”। মশাগী ৱাখলনা পূক্লিং থৌগৎলদুনা খুম্মী, “য়াম য়ারিদা, মীদি পোক্লা পুমঙৌ ঙৌরফাও নুপী চেনবা য়াওরিপোৎনি। নঙগীদি পোক অমত্তসু হৌদ্রি কৈনো, য়ারি য়ারি”

“তো অদুনেবা, কাইদগী ঐ কোক্লা হাইরপ ঙাওরুরেদনা লৱাই শম খরা কেনবসিদা”

“শম কেনবা হায়সি, নঙদা নত্তে, মী লোইনা কেন্নরি ঙাকনি। পুরা লংত্রিক লংনা তাংবা মক্তি নত্তেদনা। নঙগীদি চিরাইদা খজিক্তং হঞ্জিল্লে হায়বৈ ৱানি, য়াম ফরি”

“চুম্মে চুম্মে, ঐনা খনবগা চপ হেক মান্নরে”

“থাজদ্রগা ফিল্মদা য়েংঙুদনা, মকোক্তা মশম অমত্তা হৌদ্রবা, লংত্রিক লংলবদুদা থাওগা অমুক তৈশিল্লগা হেন্না লংহল্লিদো। অদুগুম্বা মী অফাওবা য়াম লৈবনি হিন্দি ফিল্মগা য়াওবা। মোইদো ফিল্মদুদা নুপীমচা, মরেং মমান্নবা নত্তবদফাওবা মীতা তৌশিল্লিদুনি। নুপী অহুম মরি মনাক্তা ফমহল্লগা চহী নৌথরি ময়ামদু উদ্রো, য়েংঙুনে”

“উই উই”

“অদুনি, কৈসু ৱারুনু, য়াম য়ারি। নমাই হায়রা খুইদ্রি, নকোই হায়রা ঙৌদ্রি। মীদি মকোক্কী মশমদি লায়রদনা পিশুম ঙৌরোক ঙৌরবা ফাওবা নুপী লোন্নরিমক্তদা, নঙদি কচা হায়রিসিনি, য়াম য়ারিকো”

নুংঙাইনা ৱারী শানরিঙৈদুদা মশুনুপীদুনা মাগী লেংজুম পায়দুনা নোম্লগা কৌরকই।

“পুপু, চা লৈরে, মমানা চা হায়বদা পুপুনা খুম্মক্তে হায়সি কৈগীনো?”

মশুগী ৱাদু তাবদা ইপন মোনোদু লৌশিং খংলাক লাকই।

“হা কৈদৌরে হায়বা?”

“চা লৈরে হায়বা”

“ও য়ারে য়ারে”

“পুপু কৈগীনো নঙনা মিংশেল য়েংলগা ঙসাইদগী নোক্লিদো?”

“নোক্তেদা কাইদা নোকইবা”

“ঐনা লাকপদা হৌজিক্তসু নোক্লম্মীদুদি”

“ইহে অদুদি ৱারী নোকনীংবা অমা নীংশিংবদগীনিদা”

“করি ৱারী?”

“ময়া তারবা ষণনা, লমচা শাদুনা মচিদু লৈরাইদা ফেংলুবদা তেকপগী ৱারী”

“খঙদেদা অদুদি অমুক্তা তাদ্রিদা”

“তারুনু কান্নদবা ৱারীনি”

“অদু নীংশিংলগা করিগী কান্নদবদুদা পুপুনা নোক্লিবা?”

“থোই থোই চৎলো চো, ঐ সোরাৎ অমা চৎকদবা লৈ। চাক খরা ঙল্লু হায়রুচো”

“হোয় পুপু” হায়রম্মগা মশুনুপীদু ইমুংদা মমাদা চাক ঙল্লু হায়রুনবা চেনখি। ইপন মোনো মশুনুপীনা চৎখিবদু য়েংলগা মথন্তা খলহৌই।

“ঐনা খল্লিসিবু চুল্লিজাৎলা, চুম্মীদা অদুম য়ারিদা”

ইপন মোনো মথৱায় নুংঙাইনা চাদু থক্লগা, ইরুজবা হৌগৎখি।

**-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।